# পি এম মোদিগী ৭৫শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ষ্টেটকী থাক্তা পেন্টিং কম্পিটিশন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪(ঐচএনএস):** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭৫শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পি এমনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা যূম্ফম ওইরগা 'স্কিমস এন্দ ইনিসিএটিভ লোঞ্চ বাই দ প্রাইম মিনিষ্টর' হায়বা থিমদা নরেন্দ্র মোদি বিচার মঞ্চ, মিসন ন্যু ইন্দিয়া (নোর্থইষ্ট ষ্টেট জোন)না শীন্দুনা শীংজমৈদা লৈবা হাও গ্রাউন্দদা মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুশন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী মেনেজিং দিরেক্টর এম রবি, মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর এন জি রোমান, মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পেনি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ বিমোল অমদি এম টি দি সীগী মেনেজিং দিরেক্টর লক্সিসন ঙমশা কাশুংনা স্পোন্সর তৌদুনা অয়ূক্কী পুং ৯দগী হৌদুনা মণিপুর ষ্টেট লেভেল পেন্টিং কম্পিটিশন অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শীংজমৈ এ সীগী এম এল এ য়ুম্নাম খেমচান্দ, নরেন্দ্র মোদি বিচার মঞ্চ মিসন, ন্যু দেল্লী, এন ঈ জোনগী প্রসিদেন্ট ঙাংবম রোবর্ট অমদি নরেন্দ্র মোদি বিচার মঞ্চ মিসনগী শক্লাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। মহৈরোয় ৫০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা কটাগোরি মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিশন অদুগা মরী লৈননা নরেন্দ্র মোদি বিচার মঞ্চকী এদভাইজর নির্মল ভেইদনা ফোঙদোরকপদা, আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা ইন্দিয়াবু তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা শক্তাকপা ঙম্লি।



মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু লম্ অসিদা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা মিংচৎ পুরকপা ঙমহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ঙসি সিনিয়র, জুনিয়র, সব-জুনিয়র অমদি প্রি-জুনিয়র হায়না কটাগোরি মরি থোক্লা পাঙথোকখিবা কম্পিটিশন অদুদা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা অমদি সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি। কম্পিটিশন অদুগী সিনিয়র কটাগোরিদা কেন্দ্র ভিদ্যালয় নম্বর ১গী অয়েকপম বিচানা অহানবা পোজিশন, রামাকৃষ্ণ মিসন স্কুলগী ফিদম সিনামনা অনীশুবা পোজিশন, কমপ্রিহেন্সিভ স্কুলগী বিক্রামা লৌরেম্বমনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি। জুনিয়র কটাগোরিদা হেরিটেজ কনভেন্টকী নোংমাইথেম কোরৌঙানবনা অহানবা পোজিশন অদুগা পিতম্বরা ইংলিশ স্কুলগী সনাহেন ওইনামনা অনীশুবা পোজিশন তাখি। সব-জুনিয়র কটাগোরিদা এস এল এরিনা ওফ লর্নিংগী লৌশাম্বম ওবেদনা অহানবা পোজিশন, কেন্দ্র বিদ্যালয় নম্বর ১গী অক্রিতি নামৈরাকপমনা অনীশুবা পোজিশন অমদি য়ুনাক্লোগী খ্বাইরাকপম তোমথিননা অহুমশুবা পোজিশন তাখি। প্রি-জুনিয়র কটাগোরিদা লিট্টল ফ্লাৱর স্কুলগী অর্টেমিসিয়া থোঙাম্না অহানবা পোজিশন, কেন্দ্র বিদ্যালয় নম্বর ১গী তনসিলিনা শৌগাইজমনা অনীশুবা পোজিশন অমসুং টাইনি টোটস য়ুনিক স্কুলগী অঙম্বা খোইবমনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।

# গভর্ণর এৱার্দ, রাজকুমারী সনাতোম্বী এৱার্দ অমদি জর্নেলিষ্ট এৱার্দ য়াওনা মীওই ৬তা খূৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪(ঐচএনএস):** রাজকুমারী সনাতোম্বী এদ্যুকেশনেল ইন্সটিট্যুশননা চহী খুদিংগী মহৈরোয় অমদি ওজা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা মথৌ তৌরিবশিংদা পীদুনা লাকপা গভর্ণর এৱার্দ অমদি রাজকুমারী সনাতোম্বী এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা আশা হোলগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।



ঙসিগী থৌরম অদুদা গভর্ণর এৱার্দ ২০২৩, ২০২৪ অমসুং ২০২৫ মথংশিংনা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালয়গী মহৈরোয় হেনবী পুখ্রম্বম চনু, শগোলশেম অনকিতা অমসুং নন্দনী লৌরিয়াম্বমদা খূৎশিন্নখি। গভর্ণর এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০, সর্টিফিকেট অমদি মমেন্টো নচিংবা য়াওখি। কুমজা ২০২৪গী ওইনা রাজকুমারী সনাতোম্বী এৱার্দ ওজাগী কটাগোরিদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল রাজকুমারী রোমোনী অমসুং ৱাঙ্খেই হায় স্কুলগী গ্রেজ্যুএট টিচর বিষ্ণুলাকপম তরুনকুমারদা খূৎশিন্নখি। নর্স কটাগোরিদা ব্রহ্মচারিময়ুম অমুস্নাদা অদুগা জর্নেলিষ্ট কটাগোরিদনা এস কে টি ভিগী দেস্ক ইদিটর নন্দো ৱাইখোমদা খূৎশিন্নখি। দিফরেন্টলি এবল্ড কটাগোরিগী ওইনা চকপ্রম লোকেশ্বরীদা, স্পোর্টস কটাগোরিদনা বোক্সিংগীদা মনে দংময়ুম য়াদুমণি, স্বিম্মিংদনা কোইজম অথৌবা, ৱেথলিফটিংদনা সঞ্জেবম চাওবা চনুদা খূৎশিন্নখি। বেষ্ট ষ্টুদেন্টস কটাগোরিদনা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালয়গী ক্লাস ফাইভ সেক্সন বিগী মহৈরোয় লিনঙানবী সোরামদা খূৎশিন্নখি। রাজকুমারী সনাতোম্বী এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সর্টিফিকেট অমদি মমেন্টো নচিংবা য়াওখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভি সী প্রো. নোংমাইথেম রাজমুহোননা হায়, লৈরিক মেমোরিএল চেরিটেবল সোসাইটিগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয় অমদি ওজা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লম্দা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা এৱার্দ পীরিবা অসিমক য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। এৱার্দ অসি চুন্নগী শেলগী ওইবা এৱার্দ খক্তা নত্তে। অদুবু এৱার্দ ফংলিবশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদা অহেনবা এচিভমেন্ট কয়া ফংনবা পূক্নিং থৌগৎপনি। অসিগুম্বা এৱার্দ অসি ইন্সটিট্যুট খুদিংমক্তা পীহন্নীংই। মসিনা মহৈরোয়শিং হেন্না হোৎনহন্নীংবা, পূক্নিং ৱাখলসু থৌগৎলি। ঙসি এৱার্দ ফংলবশিং অসিনা তুংদসু হেন্না শীংথানিংঙাই ওইবা এচিভমেন্ট ফংদুনা লমদম অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী অফবা থবক থৌরম কয়া তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

# লৌবূক্কী লৈবাক লৌথোক্তনা থৌরকপা গাড়ীশিংদগী লুপা লিশিং ১গী ফাইন লৌবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪(ঐচএনএস):** কুম অমগী লৌ য়ৈনবা মতম লাকপগা লোয়ননা হায়ৱেদা চৎলিবা গাড়ীশিংদা এক্সিদেন্টনচিংবা থোকহন্দনবা থৌবালগী এস পি মনোজ প্রভাকরগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা নেশনল হায়ৱে অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিংদা কুম অমগী ফৌ য়ৈরুরগা লৌবূক্তগী কারকপা ট্রেক্টরশিং অমসুং অতোপ্পা গাড়ীশিংনা লৌবূক্তগী লৈবাক-লৈখোম নীংথিনা লৌথোক্তনা অমদি তৈথোক্তনা কারক্তুনা হায়ৱেদা লৈখোম অমদি লৈবাক থাদরম্বদা লুপা লিশিং ১গী ফাইন লৌবা হৌখ্রে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী মাঙজৌননা লৌবূক্তগী কারকপা গাড়ীশিংনা লৈবাক-লৈখোম নীংথিনা লৌথোক্লগা হায়ৱেশিংদা থৌবীরকউ, লৈবাকশিং অসিনা হায়ৱেদা তাশিন্দুনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা খূদোংচাদবা মায়োক্লহনবীগনু হায়না আপীল তৌখিবা লৈখ্রবনি।

এস পিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল পুলিস ষ্টেশনগী ও সী ইন্সপেক্টর এস ইবোমচাগী টিমনা লৈবাক-লৈখোম তৈথোক্তনা অমদি খেৎতোক্তনা হায়ৱেদা থৌদুনা লাকপা ট্রেক্টর অমা ফাদুনা লুপা লিশিং ১গী চলান কক্তুনা ফাইন থীহনখি। মখা তানা ট্রেক্টর অমদি গাড়ীশিংনা মীয়ামদা অপনবা পীদনবা লৌবূক্তগী লৈবাক-লৈখোম নীংথিনা লৌথোক্লগা হায়ৱেশিংদা থৌবীরকউ হায়না আপীল তৌখি।

# বি জে পিগী লুচিংবশিং ইলেক্সনগী খল্লগা লাকপনি...

*লমায় ২গী মখা...* অৱাবা কয়া অসি মখোয়না করিসু নাচুংদে। হৌজিক ফাওবা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহন্দ্রি, সেন্ট্রেল স্কিমশিং মপূং ফানা চৎনহনবা ঙমদ্রি অমদি হীরম কয়াদা শেল-থুমগী ওইবা খূদোংচাদবা মায়োক্লরি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুলগী অনীশুবা টর্ম শাংদোরকপা অসিসু মপূং ফারক্কদৌরে। অদুবু ঈরাং অসিগী মপূং ফাবা সোল্যুশন অমা পুরকপা লোয়ননা ঈং-তপ্পা অমদি নোর্মেলসি হঞ্জিল্লকপগী মতাংদদি করিসু খুমাঙ চাওশিনবা উদে। বি জে পিগী এম এল এশিংনা হন্দক অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লগনি হায়নরক্লিবা অসি ৱাহন্থোক য়াওবা উদে। বি জে পিগী এম এল এশিংনা হোৎনজরবসু মখোয়গী পার্টিগী সেন্ট্রেল লীদরশিংনা করিসু থৌশাবীদবা উই। বি জে পিগী ওইনদি মখোয়গী এম এল এশিংগী রাইটস ফাওবা মপূং ফানা ফংবা ঙমদবগী ফীভম অমনি। বি জে পিদা কন্সটিট্যুশনগী প্রোভিজন করিসু চৎনদে। মরম অসিনা ঈরাং অসিসু লোইশিনবগী ৱাফম লৈত্রি। ষ্টেট অসিদা চল্লাইরিবা প্রসিদেন্টস রুল অসিসু বি জে পিগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদনি। মরম অসিনা ষ্টেটসিদা লৈরিবসি বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্নি। অদুবু লৈঙাক অসিগী মখাদা ফীভম ফগৎলকপগী মমি উবা ফংদে। ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক অমা শেম্লক্কনি হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদে। এসেমব্লি দিসজোল্ভ তৌরগা মীখল নৌনা পাঙথোকপা হায়বসিনা লমদমসিগী খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি। মসি কোংগ্রেস পার্টিখক নৎতনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমদি ইন্টলেকচ্যুএল কয়াগীসু অপাম্বা ওইরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না কোংগ্রেস ভৱনদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরুগী মীতমদা হান্নগী সী এম ওক্রম ইবোবী অমদি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র য়াওনা পার্টি অসিগী লুচিংবা অমসুং ৱর্কর কয়ানা লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

# মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌবদা মীয়াম হুপ্না...

*লমায় ২গী মখা...* মখায় মৈথক্তা ঊৌদুনা লোইলম অমগুম থমদুনা লৈরগা লমদম অসিগী সিটিজনশিংগী পুন্সি অমদি প্রোপর্টিগী সিক্যুরিটি য়েংশিনবা ঙমদনা লৈরিবসিদা প্রাইওরিটি পীদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মীয়াম্বু ইশাগী ইরমদমদা ফাওবা চৎনিংবা মফমদা চৎপা ঙমহন্দনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা হিংবগী রাইট অমদি ফ্রীদম ওফ মুভমেন্ট ফাওবা পীবা ঙমদ্রবা লৈঙাক অসিনা টুরিজম চাউখৎহন্নবা টুরিজম ফেষ্টিভেল মীয়ামগীদমক শীনবীগদৌরিবনি হায়বসি মরম চারিব্রা। অসিগুম্বা মীনম লাং মানবা থৌওং অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা করি হায়না উখিগনি হায়বা ফাওবা খন্থবা ঙমদ্রবা লৈঙাক্নি। হেন্না লুরক্লিবদি রিফ্যুজী অমগুম্না ইশাগী ইরৈবাক্তা ফাজিন পূনশিন্দুনা থম্বীরিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা রিফ্যুজীশিং অদুগীদমক্তা টুরিজম চাউখৎহন্নবা অমদি লল্লোন-ইতিক তৌজহৌনবা থৌরম অসি শীনবনি হায়বসি মরম চাদে। মসিদবু রিফ্যুজী অমদি লানফা অমগুম্না লৈরিবা ঐখোয় মীয়াম্না চোংশিন্দুনা শরুক য়াশিল্লুবা থোক্লবদি ঐখোয়বু করি হায়না লৌখিগনি হায়বসি কুপ্পা খন্থমিন্নবা তঙাইফদে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খূদোংচাদবা অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অথুবদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরক্কদ্রা হায়না খন্নরুবা অদুগী তায়ওন্নবদা মীয়ামবু উশীৎতবা মওংদা আই দি পিশিংগী ওইরিবা ফীভম নোর্মেলাইজ তৌনবা হোৎনবা থৌওং অমনি হায়রিবসি মীয়াম্না শৌগৎফম থোক্তে। মীয়াম্না পাল্লিবদি লৈবাক অসিদা লৈশিনখ্রবা মীতোপ খন্দোকপা, লানবন চনশিন্দুনা থমজিল্লিবা মীয়ামদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি।

ইরমদমগী ইনাৎ লাইনিং অমদি চৎনবীগী মতুংইন্না তৌফদ্রবা থৌরমশিং অদু নৎতনা অহেনবা শেন্থং পুথোক্তুনা লৈঙাক অসিনা থবক পায়খৎনবা হোৎনবগী মোরেল গ্রাউন্দ মখোয়দা লৈতে। মসি মীয়াম হুপ্না য়ানিংদবা ফোঙদোকফম থোকই। লৈবাক কনসি হায়রবদি ঐখোয় মীয়াম্না অপূনবগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌমিন্নবা চঙই। তোঙান-তোঙানবা লন্নাই লূপ, এজেন্সী, ওন্ট্রাপ্রাইজ অমদি ইন্দিভিজ্যুএল পর্সনেলিটিশিংনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা অমদি ইকাইবা পীবা থৌওংশিং অসি নাথৈরগা লন্নাই খূদোংচাবা খরখক্কী য়েংলগা চোংশিন্দুনা শরুক য়াশিল্লুবা তারবদি মখোয় অদু মীয়াম্না শাগেগী মৈতান অশিবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে।

হৌজিক ঐখোয়না থেংনজবদা সভেন সিষ্টর্স ফাউন্দেশন হায়বা এজেন্সী অমনা খুমন লম্পাক্তা ইন্টরনেশনল বেন্দ কৌদুনা সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম শীনগনি হায়রিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা লৌবা ৱারেপনি হায়না কোকোমিনা লৌগনি। অতোপ্পা লন্নাই ওর্গনাইজেশন, ফোরম, কাউন্সিল অমদি ইন্সটিট্যুশনশিং য়াওনা শরুক য়ানবা থৌরাংলিবশিং অদু তুংদা খূদোংচাদবা মায়োক্লরকপা মতমদা কোকোমি অমদি মণিপুর মীয়াম্না কোওপরেশন পীদবগী ৱারেপ লৈবাক মীয়াম খঙনা লাউথোকচগনি।

হাপ্তা কাংজৈবুংগী অকোয়বদা খুন্দারিবা কৈরোয় লৈকাইগী ইরৈচাশিং হৌগৎপীরক্লো, মৈরা পায়বীশিং খ্বাঙচেৎ মচি লাংবীরো, ঐখোয় লোই চল্লবা মীয়াম অমগুম হিংহন্দুনা থল্লগা ঐখোয়গী ইচিল-ইনাও, ইচে-ইচল কয়াবু ফম্বাক থক্তা কৌখৎতুনা শেল খরা পীরগা, জগোই শাহল্লগা ময়াং লৈঙাক্লা ফমদুনা য়েংনবা থৌরাংলিবসি থেংনমিন্নবা মতম ওইরে।

হৌজিকপু ঐখোয় টুরিজমগী ৱাখল খনবা য়াবা মতমলা। চীংদা খূৎলায় পায়বা নার্কো টেররিষ্টশিংনা কোয়শিন্দুনা লানবন শাদুনা থল্লগা মণিপুরদা লৈরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী টুরিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনরিবনি হায়বসি মরম কয়া য়াম্না চাবগে। আই দি পিশিংগী মরাইবক কদোম থোক্কদৌরি হায়বা খঙদনা ঐখোয়না জগোই-ঈশৈ তৌবদা শরুক য়াদুনা লৈথোকফম থোকপ্রা। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী প্রাইওরিটি অসি করিনো। টুরিজমলা নৎত্রগা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা অমসুং ফ্রী মুভমেন্ট হঞ্জিন্দুনা লৈহনবদুরা। সঙাই ফেষ্টিভেলদি চান্মরক লাকখিগনি। অদুবু পীছ এন্দ সিক্যুরিটি লৈতনা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি চাউখৎপা য়াগদৌরিব্রা। ফেষ্টিভেল অসিদা কাঙলূপ খূদিংমক শরুক য়াবা ঙমহনগদৌরিব্রা। থাদগদৌরিবা শেনফম অসিগী মহয় ঐখোয়না চাবা ফংগদ্রা নৎত্রগা লন্নাই ওফিসর অমদি এজেন্সী খরগী শেন্দান লন্থী খক্কী ওইনা মমিংতগী শীনগদৌরিব্রা। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ইরৈচাশিংনা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক অসিদগী ফংবা ঙমদ্রিবা ফাওবা মখোয়না মীয়ামগী অৱাববু কুপশিন্নবগীদমক্তা শীল্লকপা থৌরাং খূদিংমক মীয়াম্না শরুক য়ারোইদবনি হায়বসি কোকোমিগী ফিরেপনি হায়রি।

# লোক্তাক লিটরেরি আর্ট ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪(ঐচএনএস):** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন বিষ্ণুপুর, এন ঐচ পি সী, এন আই দি সী এল, ইম্ফাল আর্ট গেল্লরি, বিষ্ণুপুরগী এস পি, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহূদ মিসন, ই টি এ নেটৱর্কনা পূন্না খূৎশম্ননা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চথুগদবা লোক্তাক লিটরেরি এন্দ আর্ট ফেষ্টিভেলগী অহানবা ইদিশন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেন্দ্রাদা লৈবা এল দি এল কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা হায়, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বদা নৎতনা মখোয়দা য়াওজবা হৈ-শিংবশিং অদু ষ্টোরি টেল্লিং নৎত্রগা অতোপ্পা আর্ট ফোর্ম হায়বদি জগোই, ঈশৈ, পেন্টিংনচিংবদা ক্রিএটিভ ওইবা ভোইস কমদৌনা পীগদগে হায়বা তম্বীনবা, ট্রেদিশনেল ওইবা ফোকলোর কয়াসু মাঙখিদনবা, হৌরক্লিবা মীরোলনা খঙহৌনবগী পান্দমদা লোক্তাক আর্ট ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। আর্ট গেল্লরি হাংদোক্তুনা মহৈরোয়শিংদা য়েংহনবা অসিনা মখোয়দা ক্রিএটিভ ওইবা আইদিয়া থোকপা হেনগৎলক্কনি থাজে। মসিদা নৎতনা লমদম অসিদা শাজবা পোথোক কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা হেন্না খঙনবা অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংবু মতেং পাংবা ওইনা মখোয়না শাজবা পোথোক কয়াসু ফেষ্টিভেল অসিদা য়োন্নবা পান্দম থল্লি। লোয়ননা ইশামকসু আই দি পিশিংনা শাবা ফিজোল শেৎ-চাদুনা থৌরমসিদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

ফেষ্টিভেল অসিদা ইম্ফাল আর্ট গেল্লরিদগী টেম্পররি আর্ট গেল্লরি অমা হাংদুনা অয়েকপা লাই অমদি অশাবা শক্তমশিং উৎলি। ইতা নেটৱর্ককা খূৎশম্নদুনা আই দি পি নুপীশিংনা শাবা ফিজোল শেৎতুনা আই দি পিশিং অসি ফিশাবী খক নত্তে, আর্টিষ্ট অমসুনি হায়বা উৎতুনা ফেশন শো অমসু পাঙথোকখি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES**

**ꯂꯥꯎꯊꯣꯛ/NOTICE**

Imphal, the 14th November 2025

No. P-014/TC&I/2025: In partial modification of this office notice of even number dated 07/11/2025, the last date for online submission of applications for allotment of stalls for Manipur Sangai Festival-2025 has been extended upto 4.00 p.m. of 17th November 2025(Monday), in the interest of larger section of aspirants and draw of lots will be held at 4.00 p.m. of 18th November, 2025.

2. Final allotment of stalls will be notified/ displayed after draw of lots.

3. Other terms and conditions remain unchanged.

Sd/- **Yumnam Robita**
Director of Trade, Commerce & Industries, Manipur.

HL-B/10005/15



**ADMISSION OPEN**

**FOR**

- RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY TEACHERS
- SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE FOR STUDENTS & SENIORS
- WRITTEN ENGLISH COURSE

*Please Contact*

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**

Nagamapal Laimayum Leirak Imphal

**# 8974642764**

HL-B/10004/15/11-14/12/25



DEPARTMENT OF PHYSICS &
DEPARTMENT OF BIOTECHNOLOGY
S. Kula Women's College,
Nambol, Manipur.

**/ NATIONAL SEMINAR**

The Department of Physics in collaboration with Department of Biotechnology. S. Kula Women's College, Nambol, is going to organized a national seminar on **"Physical Principles in Biological & Medical Sciences; Foundation and Frontiers"** on 19-21 February, 2026, under the sponsorship of Department of Biotechnology, Government of India, New Delhi.

Academicians, Scientists, Research Scholars, and Industry Professionals are inviting to submit their original abstracts/ papers related to the seminar themes. **Selected papers will be published in the Seminar Proceedings with ISBN.**

**Important Deadline**

- **Abstract Submission:** 20/12/2025
- **Full Paper Submission:** 10/01/2026
- **Notification of Acceptance:** 15/01/2026

*(No Abstract/ Paper will consider beyond deadline)*

For detail, please contact to

Dr A. Joy Singh
Convenor
Email: nsetnn1@gmail.com
# 9862450728

HL-P/2579/15


# জোইন্ট সর্ভে টিমনা ৱাইশেল মরীলগী ফীভম...

*লমায় ২গী মখা...* মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওর্দর অমগী মতুংইন্না জোইন্ট সর্ভে অদু পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী জোইন্ট সর্ভে অদুদা শরুক য়াখিবশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী ষ্টাফ অনী, ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ অহুম, মাইনর ইরিগেশনগী ষ্টাফ অহুম অমদি ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপকী থৌমী অহুম য়াওনা জোইন্ট সর্ভে অদু পাঙথোকখিবনি।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা জোইন্ট সর্ভেগী টিম অদু কৈশামথোং এ সীগী মনুং চনবা মফম মরিদা য়েংশিনখি। মরুওইনা কোঞ্জেং হজারি লৈকাইগী মরুওইবা উকু, থৌদা ভাবোক লৈকাইগী খাথংবা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব মনাক্কী উকু হায়রিবা উকুশিং অসি মখাদা নমথখিবনা মরম ওইদুনা অনৌবা উকু, কলভর্টনচিংবা অমুক শাবা মথৌ তারে হায়রি। উকু অনী অসি লাইরম হাওরোকচাম্বী মমাঙগী উকুসু ফুল্লগা লৈরম্বা থেংনখি। মদুনা ৱাটর বোদিগী ঈশিং চেনফম অদু নোংম-নোংমগী ফত্ত-হৌদিশিংনা ফুন্নবদগী ঈশিং চেনবা ঙমদ্রে। মখা তানা মোইরাংপুরেল মনিং অমদি ইরোম লৈকাইগা শম্নবা উকু অদুসু য়োৎকী জালি অমনা ফত্তবা ময়াম চেন্থরকপা অদু পন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। মখা তানা কোদোমপোকপী খুল মনাক্তা এম আইগী শীজিন্নবা য়াদ্রবা শট্টর অনীনা ফৈরগা অমোৎ-অকায়শিং পন্দুনা লৈরি। ইরোম মৈজ্রাওগী হেক থংননা লৈবা থৌনাওজম খুঞ্জিন্দা মাইনর ইরিগেশনগী য়াদবা শট্টর অমনা ঈশিং ঈচেল পল্লগা লৈরমখি। পুখ্রম্বম, সঞ্জেনবম অমদি ৱাহেং খুমন লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী শান্তিপুর ফাওবা ৱাইশেল মরিলগী ঈশিং ঈচেল পল্লিবা মফমশিং য়েংখি।

ঙসিগী জোইন্ট সর্ভেগী টিম অদুনা এ সী মঙাদি কোভর তৌবা ঙমখি। হায়রিবা এ সীশিং অদুদি কৈশামথোং, নাওরিয়া পাখংলাকপা, নম্বোল, ৱাঙ্গোই অমদি ময়াং ইম্ফালনি। অদুগা ঙসি সর্ভে টিমনা য়েংবা ৱাংহৌবা এ সী অনী অদুনা সগোলবন্দ অমদি পাৎসোই এ সীনি হায়না ৱাইশেল মরিল শেমগৎ শাগৎপা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি এন দেবাননা পাউচে অসিদা ফোঙদোকখি।


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XI, MANIPUR**

**Ref: Mut. Case No. 177/AS&SO-XI Date 13/11/2025**

Kshetrimayum Bino Devi W/o Kshetrimayum Tomba Singh of Nongmeibung Chakpram Leirak. -Petitioner

-Vs-

Kshetrimayum Tomba Singh S/o (Late) Gulamjat Singh of Nongmeibung. -O.P.

**ꯂꯥꯎꯊꯣꯛ / NOTICE**

Imphal, 14-11-2025

Under Section 46 (3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 26-Wangkheirakpam Leikai পাট্টা নং 75/Angs অরিবা 206 অনৌবা দাগ নং. 356 এরিয়া .0875 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Kshetrimayum Tomba Singh of Nongmeibung Chakpram Leirak মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 23-11-2025 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XI,**
Manipur

HL-P/4017/15



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 71/SDC/W of 2025 Date : 14/11/2025**

App. :- Heisnam Shyam Singh S/o (Late) Heisnam Angouba Singh of Kakching Khunou Thongam Mondum.

-Vs-

Opp. :- (Late) Heisnam Angouba Singh S/o (Late) Lamphel Singh of Kakching Khunou Thongam Mondum.

**ꯂꯥꯎꯊꯣꯛ / NOTICE**

Dated, 14/11/2025

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮১-ককচিং খুনৌ পাট্টা নং ৪ দাগ নং ৫০৩, ৫০১ এরিয়া ০.৮৩, ০.৯২ একর চাওবা ফৌরেল/তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টাকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/4021/15



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 474/SDC/IW(C)-II of 2025, dt. : 14/11/2025**

(1) Potshangbam Brojendro Singh S/o (L) Priyokumar Singh of Khagempalli Pankha, (2) -do- Bormani Singh S/o (L) -do- of -do-, (3) -do- Bijaya Devi W/o Mayengbam Nimai Meitei of Singjamei Wangma Kshetri Leikai Monkhang Lambi, (4) -do- Brojeshwari Devi W/o Maibam Chinglemba Meetei of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal. -Petitioners

-versus-

(Late) Potshangbam Priyokumar Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khagempalli Pankha. -O.P.

**ꯂꯥꯎꯊꯣꯛ / NOTICE**

Lamphel, 14/11/2025

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Potshangbam Priyokumar Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নম্বর 43-Khagempalli অরিবা পাট্টা নম্বর 303 অনৌবা পাট্টা নম্বর 376/1120 দাগ নম্বর 2034/2407 অমসুং এরিয়া .0370 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মচাশিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)-II, Manipur

HL-P/4020/15